# হোম মিনিষ্টরনা শজিৱা জেল ১দি ইম্ফাল সেন্ত্রেল জেলগী বন্দিশিং উন্নখ্রে

# মোবাইল জাম্মর, সিসিটিভি খিল্লগনি,  সিআরপিএফনা জেল মনুং ঙাকহল্লগনি

-হোম মিনিষ্টর

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২:* মণিপুরগী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা হোম মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম্না ঙরাং সেন্ত্রেল জেল শজিৱা অমসুং মণিপুর সেন্ত্রেল জেল  ইম্ফালগী ফিভম য়েংশিনবা য়াওনা বন্দিশিং উন্নদুনা মখোয়গী অৱা-নুংঙাইগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

খোঙচৎতুগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম্না হায়খিবদা, ফার্ষ্ট এমআর মনাক্তা লৈরিবা ইম্ফাল সেন্ত্রেল জেলগী বন্দিশিং শজিৱা জেলদা হোংলগনি। শজিৱা জেলদা লৈরিবা লালহৌবা বন্দি কয়ানা জেল মনুংদগী মোবাইল ফোন শীজিন্নদুনা মপানগী মীওইশিংদা শেলগী দিমান্দ তৌবা হহ্নহন্নবা জেলদা মোবাইল জামর খিল্লগনি। মসিগা লোয়ননা জেল মনুংদা হেন্না সেক্যুরিটি ওইনবা মফম কয়াদা সিসিটিভি কেমেরা অথুবদা ইস্টোল তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হোম মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম্না লুচিংদুনা ঙরাং শজিৱা জেল অমসুং ইম্ফাল সেন্ত্রেল জেলগী ফিভম য়েংশিনবা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা মণিপুর সরকারগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হোম সুরেস বাবু, মণিপুর পুলিসকী এদিজিপি পিএম গাউদ, জেলগী এসপি মুইভা অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

খোঙচৎতুগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম্না মখা তানা হায়খিবদা, জেল মনুংগী বন্দিশিংনা মখোয়বু ঙাক্লিবা মণিপুরী মচা ষ্টেট ফোর্সশিংগা তোয়না উন্নবদগী খঙনরক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোরকপা থিংনবা জেল মনুংদা ষ্টেট ফোর্সকী মহুত্তা সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স সিআরপিএফ না মহুৎ শিল্লগনি। বন্দিশিংনা জেলদগী থোরকপগা মহৌশাগী ঈচেলদা তিলহন্নবা অফবা ৱাখল্লোন পোকহন্নবা, থবক শুবগী হৈনবী অমদি খুৎশা হৈহন্নবা হেন্দলুম হেন্দিক্রাফ্টকী ত্রেনিং পীগনি। জেলগী অৱাৎপা ষ্টাফ অথুবদা হাপ্লগনি। জেলগী বন্দিশিং মশা মউ ফনা থম্নবা থক্লবা অফবা ঈশিং মরাং কায়নবা ফংহনগনি। শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম হেনগৎহনগনি। জেলগী ওইবা তোঙানবা হোস্পিতাল অমা জেল মনুংদা থমগনি। নুপী বন্দিশিংগী ওইবা তোঙানবা সেক্সন অমা শজিৱাদা থম্লগনি। হার্দ কোর লালহৌবা, এনএসএ তারবশিংগী তোঙানবা হায় সেক্যুরিটি জেল শাজিৱাদা শেমগৎ -শাগৎলিবশিং অথুবদা লোয়শিল্লগনি হায়খি।

হোম মিনিষ্টর গাইখাঙমগী খোঙচৎ অদুদা নুপী বন্দি কয়ানা লৈরিবা মণিপুর সেন্ত্রেল জেলগী ফিভম য়েংশিনখি। নুপী অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজনর ১১, অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজনর (এক্সত্রিমিষ্ট) ১০, অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজনর (এনদিপিএস) ৪, এনএসএস দিটেন্যু ১১ অমসুং কনভিক্ট অমা পুন্না নুপী বন্দি ৩৭ কা হকথেংননা উন্নদুনা মখোয়গী চান-থক্লবগী অৱাৎপা লৈরিবা কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

খোঙচৎতুদা নুপী বন্দিশিংনা  মখোয়দা চান-থক্লবা অমদি ঈশিংগী প্রোব্লেম লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুবু হেন্না পুক্নিং নুংশিরিবদি জেল অসিদা চহি অহুমলোমদা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা মমাগা পুন্না জেল মনুংদা লৈহৌরি। মমাদু মরালগী মতুংইন্না জেলদা লৈজরবসু  জুবেনাইল দেলিক্বেন্সি এক্টকী মায়োক্তা  চহি শুদ্রিবা নৌরিবা অঙাংশিং অমবু জেল মনুংদা লৈহৌরিবা অসিনি।

তুংদা হোম মিনিষ্টরনা শজিৱা সেন্ত্রেল জেলদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা বন্দিশিংগী ফিভম, নৌনা শেমগৎলিবা হায় সেক্যুরিটি জেলগী ফিভম, জেলগী হোস্পিতালগী শেমগৎ শাগৎকদৌরিবা মফম, নুপী বন্দিশিংগী তোঙানবা লৈফমশিং চৎতুনা য়েংশিনখি। লোয়ননা জেলদা লৈরিবা লালহৌলুপ কয়াগী বন্দিশিংগা খুৎ হাইনদুনা হরাওনা উন্নখি। বন্দিশিংনসু তরাম্না ওকখি।

জেল মনুংদা হোম মিনিষ্টরনা বন্দি খরগা হকথেংননা উন্নখিবা অদুদা বন্দিশিংগী মায়কৈদগী মখোয়গী শান্নবগী পোৎলম হেনগৎহন্নবা অমদি থক্লবা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা তকশিল্লকখি।

খোঙচৎতুগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইম্ফাল সেন্ত্রেল জেলদা লৈরিবা নুপী বন্দি পুম্নমক শজিৱা জেলদা পুরক্তুনা তোঙানবা সেক্সন অমা থম্লগনি।  জেলসিগা থংননা ২০০৬ তগী মণিপুর  পুলিস হাওসিং কোর্পোরেসন্না শাগৎলকখিবা হায় সেক্যুরিটি জেল অসি হেক শাবা লোয়বগা জেল মনুংদা হৌজিক লৈরিবা লালহৌবা, এনএসএ অমসুং অচৌবা ক্রাইমদা চেন্নবা বন্দিশিং হোংদোকহল্লগনি।

জেল মনুংগী বন্দিশিং অনা অয়েক য়াওরকপদা হোস্পিতালদা পুদুনা  লায়েংবা চৎলিবা অসিগী মহুত্তা জেল মনুংদা তোঙানবা বন্দিশিংগী হোস্পিতাল অমা শারগনি। জেল মনুংদা লৈরিবা বন্দিশিং ঙাক শেল্লিবা সেক্যুরিটিশিং ষ্টেট ফোর্স ওইবনা ঙাইহাক লৈতনা তোয়না উন্নবদগী পাউ ফাওনদুনা হেন্না নুংশিনরক্তুনা মখল কয়াগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরকপা য়াবা লৈবনা ষ্টেট ফোর্সকী মহুৎতা সিআরপিএফনা শিল্লগনি। শজিৱা জেলদা হৌজিক ঙাক্লিবা আইআরবিশিং অসি লৌথোক্লগনি। মণিপুর পুলিসকী কাংবুনা মপানগী শরুক্তা ঙাকহন্দুনা সিআরপিএফকী কাংবুনা জেল ঙাক শেলহনগনি। বন্দিশিং মেইন ষ্ট্রিমদা লাক্লবা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফট য়াওনা ভোকেসনেল ত্রেনিং পীগনি। বন্দিশিং প্রিজনর অমা ওইবগী ৱাখল্লোন পোকহন্দনবা হোৎনগনি। জেলগী অৱাৎপা ষ্টাফশিং অথুবদা মেনশিন্নবা অৱাৎপা ষ্টাফ লৌরগনি হায়খি।